# লম্লাই কন্সটিটুয়েন্সিদগী মকোক থোংবা ওফিসরশিং পুথোকপা তঙাই ফদে: ইবোমচা




ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ শোথনা লৈরিবা লম্লাই কন্সটিটুয়েন্সি অসি হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা অমা ওইনবগীদমক আই পি এস রেঙ্ককী ওফিসর পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না লম্লাই কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি চৈঙাক চৈশু শাফোংখিবা চহী অনী মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা ফেলিসিটেসন ওফ মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্টস কম কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম ২০২৫কী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চালৌদা লৈবা ইরাবত মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামিনেসনদা লম্লাই কন্সটিটুয়েন্সিগী ওইনা মহৈরোই খরা মার্ক য়ান্না ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকপা অসিমক কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ওইনা য়ান্না থাগৎনিঙাইনি। লম্লাই কন্সটিটুয়েন্সিনা ঙসি সোথদুনা লৈরিবা অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ঙসি ফাওবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদগী ওফিসর অমা ফাওবা লৈতবা অসিননি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা ঐ সিমা ওইদবা য়াদে হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা মহৈ তমদুনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিবু চাউখৎ মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুর অসি অরুবা তানফম অমদা লৈরে। হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩দগী থোক্লক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদনা লৈবনা ইং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইবা ঙমদ্রি। তংদু লৈতাবা মণিপুর অমুক হন্না হঞ্জিলহনগে হায়রবদি ঐখোয় মশেল ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়াদে হায়না লেপমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরী (হোম) ময়েংবম ভেটোনা হায়, মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিন তমদুনা খুন্নাই অসিদা করম্বা প্রোফেসন লৌদুনা মায় পাক্লা লমদমসিগী করম্বা থৌদাং লৌগদগে হায়বসি য়ান্না মরু ওই। হৌজিক্তি মী মশিংসু য়াল্লে। মসিগী মতুং ইন্না চংশিনগদবনি। মসিগী খোঙচৎ অসিদা অশোয়বা, মায় পাক্তবা কয়ামরুম য়াওরক্কনি। মসি পুন্নমক ঐখোয়না চুমথোক্তুনা হনবা লৈতনা চংশিনগদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ইশাগী লৈরিবা কম্ফোর্ট জোন অদুদগী থোক্লকপা মথৌ তাই। টাইম মেনেজমেন্ট নিংথিনা তৌবা মথৌ তাই। ঐখোয়না ওইনিংলিবা অমদি পাল্লিবা প্রোফেসন অদুগী মতুং ইন্না ঐখোয়না থৌদাং লৌবা তাই হায়খি। থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরগী চেয়রমেন তখেল্লম্বম ওজিৎ, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর ডা ময়েংবম ভেটো অমদি চৈঙাক-চৈশুগী প্রসিদেন্ট মহেশ সি এস সু শরুক য়াখি। লোয়ননা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিং অমদি শান্নরোইশিংদসু খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# এ এ টি এমনা বিনাশখিগী লায়েংবদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ শুগুনু মখা লৈকাইদগী দ্বিলালেন্দ রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা খাইদেম ওংবী বিনাশখি দেবী মপুরোইবা খাইদেম মেঘানা খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমা লাকপনা মরম ওইরগা জেনিমস হোস্পিটাদা লায়েংবা মতমদা ষ্টোমাক কেন্সরনি হায়বা খঙলকপদগী শীজ হোস্পিটালদা রিফর তৌদুনা লায়েং চথরিবা অসিগীদমক খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা ঙসি অৱা অনা তারবশিংগী মরুপশিং (এ এ টি এম) গী মায়কৈদগী শেলগী তেঙবাং পীখ্রে।

তেঙবাং খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এ এ টি এমগী প্রসিদেন্ট অখোম বিরেন্দ্রনা হায়, কুমজা ২০২৩দগী হৌরগা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মশাগী য়ুম -কৈ থাদোক্লল্লগা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লি। হায়রিবা মীওই কয়া অসিনা অৱাৎপনা পীক থল্লকপা অমদি ফাইনান্সিয়েল পেনাল্লেমনা মরম ওইরগা মশাগী অনাবা লায়েংবা মতমদা খূদোং চাদবা কয়া মায়োকনরিবা অসিদা অৱা অনা তারবশিংগী মরুপশিং (এ এ টি এম)না লেপ্পা লৈতনা অঙন্বা মতেং পাংবগী থবক চথরকপগী শরুক মা ওইনা দ্বিলালেন্দ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা খাইদেম ওংবী বিনাশখি দেবীগী লায়েংবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়বগী ৱাখল্লোনদা এ এ টি এমগী মায়কৈদগী অঙন্বা শেলগী মতেং পীবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা মীওইশিংগী দমক এ এ টি এমনা অঙন্বা মতেং পাংবগী থবকশিং মখা তানসু চথখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নবা ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লা থম্বা অমসুং শক্তম ঙাক্লবগীদমক থৱায়না পোম্বা পীগনি হায়না ঙসি পীছ কম্মিটি মণিপুর অমসুং স্পিসিয়েল ৫০ গী থৌমীশিংনা কংলা উত্রা মমাঙদা ৱাশক লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা য়ু এন এল এফকী হান্নগী চেয়ারমেন আর কে মেঘেননা হায়, ইরমদম অসিগী লুরবা তানফম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা সি এস ওশিংনা পূন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম হায়বসি লমগী ওইবা টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অসি খক্তা নত্তে। মসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্নবা ফুরুপশিং অমতা ওইনা লেপমিন্নবা হায়বসিসু য়াওরিবনি।

অপূনবগী শক্তম অসিদা লাক্লিবা মখল মখা কয়াগী শীংনবা অসিবুসু অমতা ওইনা পূন্না থেংনমিন্নবা মতম ওইরে। সি এস ওশিংনা মাগী মাগী অঙন্বা থাক্তা হোৎনজরিবা অসিগী মথক্তা পূনশিন্নদুনা অমতা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়খি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মোইরাং, কুম্বী, ফুবালা, ফৌগাকচাও ইখাই, থন্নাপোকপী, লৈঙাংতাবী, কংলাতোংবীনচিংবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়ামরুমসু য়াওখি। মসিদসু নত্তনা মামপীল, মচাক, ফুবালা অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ, সাইতোল মৈরা পায়বী লূপ, থৌবাল মৈরা পায়বী লূপনচিংবা লূপ কয়াগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

# অমুক্কসু হংলি: পি এম লাক্কনি হায়নরিসিবু ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়বদি লানগদবা মাল্লি। অদুনা মীয়ামবু লান্না লমজিংবনি হায়বা ওইরমগনি হায়না লৌই।

মণিপুরদা কুকিশিংগা অতৈ ফুরুপ কাঙলুপকা মুক্নদুনা হিংশা থোকখিবা ৱাথোক মরিরক থোকখ্রে। কুমজা ১৯৬০ দা কুকিগা মারগা, কুমজা ১৯৯২-৯৩ দা কুকিনা নাগাগা, কুমজা ১৯৯৭-৯৮ দা কুকিগা পাইতেগা উংখৎনখ্রে অদুগা কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগীনা ঙসি ফাওবা কুকিগা মৈতৈগা উংখৎনরি। কুমজা ২০০৪ দসু অসামদা কুকিগা কর্বিগা মুক্নদুনা ৱাথোক্লখিবা থেংনখি। মুক্নখিবশিং অদু কুকিশিংগা ঙাক্তনি। কাঙলুপ মশেল মুক্নবদা কুকিদি কমন ওইরি। অদুগা কুমজা ১৯৬৭ তগী ২০০২ চহী ৩৭ লোমসিদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল ১০ রক তৌখ্রে। পুন্নমক অদু কাঙলুপকী ইরাংগা মরী লৈনখিদবা মাল্লি। পোলিটিকেল ক্রাইসিসতগী প্রসিদেন্ট রুল তৌখিবা ঙাক্তনি।

কুমজা ১৯৬৭ কী জনুৱারি ১২ দগী মার্চ ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৬৬ নি, কুমজা ১৯৬৭ কী ওক্টোবর ২৫ দগী ১৯৬৮ গী ফেব্রুৱারি ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১১৬, কুমজা ১৯৬৯ গী ওক্টোবর ১৭ তগী কুমজা ১৯৭২ গী মার্চ ২২ ফাওবা চহী ২ গা নুমিৎ ১৫৭ পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমদি ষ্টেটহুদ দিমান্দদা প্রসিদেন্ট রুল থমখি। মখা তানা মপুং ফাবা ষ্টেট ওইরবা তুংদসু পোলিটিকেলগী তংদু-লৈতাদবা, চোংথোক চোংশিন্না মরম ওইরগা কুমজা ১৯৭৩ গী মার্চ ২৮ দগী ১৯৭৪ গী মার্চ ৩ ফাওবা নুমিৎ ৩৪০, কুমজা ১৯৭৭ কী মে ১৬ তগী জুন ২৮ ফাওবা নুমিৎ ৪৩, কুমজা ১৯৭৯ গী নবেম্বর ১৪ দগী ১৯৮০ গী জনুৱারি ১৩ ফাওবা নুমিৎ ৬০ নি, কুমজা ১৯৮১ গী ফেব্রুৱারি ২৮ দগী জুন ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১১০ নি, কুমজা ১৯৯২ গী জনুৱারি ৭ তগী জুন ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১১০ নি, কুমজা ১৯৯২ গী জনুৱারি ৭ তগী এপ্রিল ৭ ফাওবা নুমিৎ ৯১ নি, কুমজা ১৯৯৩ গী দিসেম্বর ৩১ দগী ১৯৯৪ গী দিসেম্বর ১৩ ফাওবা নুমিৎ ৩৪৭ অমসুং কুমজা ২০০১ গী জুন ২ দগী ২০০২ গী মার্চ ৬ ফাওবা নুমিৎ ২৭৭ নি প্রসিদেন্ট রুল তৌখি। পুন্নমক কাঙলুপকী ইরাংগা মরী লৈনখিবা নত্তে।

হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট রুল অসিনা ১১ রক শুবনি। চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৩ দগী লৈরকখিবনি। প্রসিদেন্ট রুলগী মতম অসি খ্বাইদগী তেনবনা নুমিৎ ৪৩ অদুগা খ্বাইদগী শাংবনা চহী ২ থা ৫ নুমিৎ ৭ নি ওইখি। হৌজিক লৈরিবা ১১ শুবা প্রসিদেন্ট রুল অসিসু নুমিৎ ১৪৪ নিদি শুরে। কয়াম কুইখিগদগে খঙদে। লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈননা থমখিবনি।

হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাক শেন্নবা মশীং য়াল্লবা বি জে পিগী এম এল এশিং কাঙবু কাঙবু শেমদুনা হোৎনরি। লুচিংবদি কনানো খঙদ্রি। দিল্লিনা হায়বা ইনগদবা মখোয়না অপান্বা অমা খল্লকপদা য়ারে হায়নদি লাউরি। পার্লিয়ামেন্টগী হাউস অনীমক্কী নোংজু মীফমসু চৎলিবা থা অসিগী ২১ নিং থৌকাবা নুমিৎতগী হৌনবা লাউথোকখ্রে। হাউস অনীমক্কী মীফম ইংনা চথবা য়ানবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা লৈবা ফ্লোর লুচিংবশিংগী মীফমসু থা অসিগী ১৯ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা কৌখ্রে। হন্দক্কী মীফম অসিদা মণিপুরগী খোল্লাও তাগদ্রা তারোইদ্রা হায়বা খঙদ্রি।

চহী ২ থা ২ হেল্লক্লবা মণিপুরগী ৱাথোক অসি ঙসিসু তম্বা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি, ঐখোয় খুউ শেন্দবা য়াদ্রি। দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লসু হোৎনরি হায়বদগী হেন্দ্রি। ফুরুপ কাঙলুপ খায়দোক খায়দোক্তুনা দিল্লিদা কৌর-কৌরগা উনরি। অমরোমদা বি জে পি অমদি চৎমিন্নবা পার্টিগী এম এল এশিং অমগা অমগা উন্নবা য়াদ্রি। বি জে পিগী এম এল এশিংগী হন্দক্তা থন্বাল শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীফমদা বি জে পিগী এম এল এ ৩৭ কী মনুংদা ১৫ য়াওখিদে। পার্লিয়ামেন্টগী নোংজু মীফম থা অসিগী ২১ দগী হৌগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা লৈঙাক শেন্নবা য়াই, সেন্টরনা খল্লকপা লুচিংবদু অমতা ওইনা য়ানরে হায়খি। মদু ২২ গী ৱানি। ১৫ গীদি খঙদে। অমনা অমুক ইরাং লৈরিবমখৈ মীয়ান্না পাল্লিবা লৈঙাক লৈরোই, তংদু-লৈতাবা হঞ্জিল্লকপগা মীয়ামগী লৈঙাক শোয়দনা লাক্কনি হায়রি। প্রসিদেন্ট রুল শাংদোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক শেন্নবা হোৎনরি হায়বসু য়াওরি। কনানা লুচিংদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈঙাক শেমগদৌরিবনো হংনরক্তবসু নত্তে। সি এস ওগী লুচিংবা খরনদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা অচুম্বা ঙাংলকপা মতম অদুতদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়নবসু য়াওরি। বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এ সরদা দেবীনদি বি জে পিনা মীয়ামগীদমক থবক তৌই তৌদে হায়বসিদা দিবেট তৌনসি হায়না শীংনরি। পার্টিগী মনুংদা তোখায় তাবগী ৱাফম লৈতে, মীয়ান্না পাল্লিবা লৈঙাক শেন্নবা হোৎনরি হায়খিবসু তাখ্রে। অমুকসু লৈঙাক শেন্বগী ওঠোরিটি এম এল এশিংনা লৈতে হায়বসু এম এল এশিংগী মরক্তা য়াওরি। অমরোমদা, ওপোজিসনগী মায়কৈদগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী ঙমথং লুচিংবা কে রঞ্জিৎ সিংহনদি থোক্লিবা ইরাং অসি কাঙলুপকী নত্তে বি জে পিনা থোকহনবা প্রোক্সি ৱারনি, অনৌবা লৈঙাক শেম্বা ওইথোক্লোই হায়রি। মীয়ামগী আই দি পিশিংগী অৱাবা খঙদে। লৈঙাক শেম্বদা ঙাওনরি, করম থোক্লগবা?

ইলেক্সনদা ঙাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র দামোদরদাস মোদিনি হায়নরিবনিনা কুমজা ২০২৭ কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা নৎত্রগনা অসামগা লোয়ননা ঙনখৎনা পাঙথোক্কদ্রা হায়নরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মমাঙদদি লাক্কদ্রা থাজবদি লৈ। অদুবু তম্বদি ঙমদ্রি। মমাঙগী লোক সভা ইলেক্সনদা মণিপুরদা খোঙদারকখিদ্রবনি। অদুননি চাংয়েং তৌরিজাৎলা হায়না অমুক্কসু হংনরক্লিবসি।

## ফোক্স ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ মীপুম খূদিংমক শেন্থোক লৈহনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী থবক তৌনবা পান্দমদা লেপ্পনা পাঙথোকপা ওর্গনাইজেসন কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা ককচিং চুন্নাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা বি এম য়াইমা শাহ এক্টিং প্রসিদেন্ট ফোক্সনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা ফোক্স ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি নৌনা হাং দোকখ্রে হায়রি।

ফোক্সকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স তায়েঞ্জম থোয়বনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা স্কিল্ড দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীদুনা মীপুম খূদিংমক শেন্থোক লৈনা মীপাল তাংদনা হিংননবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনা হিংনবা ৱাখল্লোনদা লেপ্পনা থবক তৌদুনা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা থোকপা তোঙান তোঙানবা ইসুশিং দা মাঙজিল থানা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। লাইবক থিবদি চিন-কুকি-জো ফুরুপকী মীওই খরগী থৌশিলদগী মণিপুরগী অপুনবগী ত্তমদা শিংনদুনা চথরক্লিবা চহী অনী হেল্লবা মণিপুরদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম সুফম চাফম লৈতবদগী শেন্থোক হন্থখিদুনা মণিপুর খুন্নাইগী শেন্নীৎলোনগী ফিভম মনিং হল্লকপা অমদি মীয়াম খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা আই দি পিশিং খক নত্তনা লমদম অসিগী মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীদুনা মশানা মশাবু শেন্থোক লৈনা হিংহন্নবা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তারে হায়না ফোক্সনা লৌই।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়েৎনবা লৈনা মীই ১৫না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমা খনখি। নৌনা খল্লবা ফোক্স ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০২৫-২৮ ফাওবগী ওইনা মরু ওইবা থৌদাং পুননবা খল্লবা থৌমীশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা নাওরেমলুখোই, সেক্রেটরী জেনরেলদা বীরলা অঙোমচা, সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসনদা য়ুন্নাম, সেক্রেটরী ফাইনান্সতা শগোলশেম বিমোল, সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সতা শেঞ্জম গোপেশ্বরনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## রেদ জোনদা মথৌ তৌরিবশিংদা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা তোয়না এটেক তৌগনবা মফমশিং- কাংচুপ চীংখোং, এন এস য়ু কৌত্রুক, লৈমখোং কো-ওপরেটিভ, লাইপাৎ পরাও, কংলাতোম্বী পোষ্টনচিংবা মফমশিংদা মথৌ তৌরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ভি দি এফ পর্সনেল ৬৮দা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি কেএসঐচ শিবকান্ত সিংহ আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা তুন্নবা ফমুং, দলব মোম্পাক, মোম্পাকফিন্দক, কাঙ হীদাক অনা-অয়েক্কী হীদাক-লাংথক, ফিনাইল, থক্নবা ঈশিং জার, কোকে, রেনকোট, তোর্চলাইটনচিংবা কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাই পুস্পরাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী চেরোল অদুনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসননা লেপ্পনা চথরকপা ভি দি এফশিংগী চাউখৎ-থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী চান-থক্নবা অমদি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক অদু চথখিবনি। হৌখিবা ২০২৩গী মে থাগী অঙনবা শরুক্তগী টেরোরিষ্টনা থেংখাং কয়ারক্তা মীচম মীয়ামদা চথরকপা এটেক কয়াদা প্রজাগী পুন্সি কন্নবা, লন-থুম ঙাক-শেন্নবা অঙন্বা থাক্তা ভি দি এফ পর্সনেলশিং অসিনা অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুদোং থিনিঙাই ওইরবা মফমশিং অসিদা তুমফম চাফম খঙদনা কমান্দর ওইনা হাপ্লিবা মশিং য়ামদবা পুলিস পর্সনেল ৫। ৬ অসিগা পুল্লগা অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। বেরেক মওং তাদবা, লাইট বেদ্দিং লৈবা ঙমজদবা, অফবা ঈশিং থকপা ঙমজদবা কয়া অসিনা ভি দি এফ পর্সনেলশিং অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা ফীভমদা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা, লন-থুম ঙাক্নবা মফমদুগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবা হোৎনরি হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পুলিস দিপার্টমেন্টতা খ্বায়দগী অপীকপা শুপ্পনতগী লুপা লিশিং ১০,৫০০খক্কী খুৎশুমন ফংবা ভি দি এফ পর্সনেলশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কাচিন-কোয়া মফম শিনবা থুংনা নোংমদা পুং ২৪ মথৌ পাঙথোক্লিবশিংগীদি থোইদোক-হেন্দোক্লা অহেনবা থৌদাং লৌদুনা রেদ জোন ওইরিবা মফমশিং অসিদা মথৌ তৌরিবা ভি দি এফ পর্সনেলশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোকহন্নিংবদগী এসোসিএসন অসিনা থৌরাং অসি পায়খৎচবনি। ভি দি এফশিংগী রিক্রুটমেন্ট রুলশিংগী মতুং ইন্না পুলিস পর্সনেল অমগা চপ মান্নবা পৱার, প্রিভিলেজ, প্রোটেক্সন অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি লৈজরবসু হৌজিক প্রিভিলেজ এন্দ প্রোটেক্সনদি নাথৈদুনা থন্বীবনা মরম ওইদুনা ভি দি এফ পর্সনেল পূন্নমক মীমান্নবা ঙমদনা অৱাবা কয়াগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লি। ভি দি এফশিংগী রিক্যুটমেন্টশিং অসি হোম দিপার্টমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা ইং ২০০৮গী জুন ৪দা ওর্দর থোক্তুনা অয়াবা পীখ্রবনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা ওর্দর থোক্তুনা অয়াবা পীখ্রবা পূন্নমক অসি য়েংবীরগা মণিপুর গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা ভি দি এফশিংগী রিক্যুমেন্ট রুলগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপশিং ফংহনবীয়ু। এসোসিএসননা অঙন্বা মতেং খরা পাংজবা অসিনদি রিক্রুমেন্ট রুলগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপশিং ফংলে হায়না লৌবদি য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## নোংমাইচীং চীংথক্তা উ চারাশিং থাখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ পাক শন্না উ-ৱা কোকথোক্লল্লবা নোংমাইচীং চীংথক্তা সঞ্জেনবম অপুনবা থৌনা ভি এল এফ অমদি নোংমাইচীং রেঞ্জ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অনীনা খূৎশন্নদুনা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট বীট ওফিস সঞ্জেনবমগী বীট ওফিসর মোইরাংথেম সুরেশনা হায়, উ চারা থাবগী থৌরম অসি ৭৬ শুবা বন মহোৎসব পালনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। গ্রীনরি মণিপুর হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা সঞ্জেনবমগী ভি এল এফকী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মেম্বরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎলক্লি হায়খি।

উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা অপুনবগী থৌনা ভি এল এফকী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মেম্বর ৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

## রিং রোদ প্রোজেক্টনা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা ইপুম...

*লমায় ১গী মখা...* লেঙদনা লৈগদৌরিব্রা। মতমগী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অসিগী লম্বী পাকথোক চাউথোক্তবা য়ারক্তবা থোক্লবদি লম্বীগী মতাইদা য়ূম-কৈ শাদুনা লৈরম্বা মীওইশিংগী য়ূম হোংদোক্তদৌরিব্রা। ইঞ্জিনিয়র খরনা মশাগী অনীংবা-অপান্বদা য়ূন্ফম ওইরগা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলক্লবদি মীয়ান্না লৌরকপা ফিরেপ অদুদা শৌগৎকনি।

মহাক্না হায়, ঈশিং ঈচাওনা খুরাই হৈক্রু মখোঙগী য়ূম ৮ লোম চেন্থখিবনি। য়ূম ৮ অদুগী মনুংদা ঙসি য়ূম মরি খূৎশিন্নবা অসি থারগা পূন্না য়ূম ৬ মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা য়ূম অমনা লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী থবক পায়খৎপা ঙমদনা লৈরি। অদুগা য়ূম অমদি হয়েংদগী শেমগৎপগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি। নৌনা শেমগৎলিবা য়ূমশিং অসিগী মথক্তা য়ূম্নুশিং অসিনা মখোয় মশাগী লমদা য়ূমশিং অসি পাকথোক চাউথোক্লবা শেমগৎ শাগৎলম্বা থেংনবদা নুংঙাইবা ফাওই। মহাক্কী মায়কৈদসু অঙন্বা মতেং মখা তানা পাংনবা হোৎনখিগনি।

মহাক্না হায়, নৌনা শেমগৎতুনা খূৎশিন্নরিবা য়ূমশিং অসি মীশীং য়ান্বা ইমুংদদি মতীক মপা চাবা য়ূম অমা হায়বদুমক্তি ওইদে। অদুবু ঈচাওগী চৈথেং মায়োক্নরিবা ইমুং ৮ অসিগী খরদা ওইরবসু মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোনদা য়ূমশিং অসি শেমগৎপনি। ঈচাওনা চেন্থখ্রবা য়ূম ৮ শেমগৎলিবা অসিগী মথক্তা এ সিগী মনুং চন্না লৈবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবশিংগী য়ূম ৫০০ রোমসু নৌনা শাদুনা খূৎশিন্ননবা থৌরাং পায়খৎলি। এ সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ দা পোল্লিং ষ্টেসন অমমমগী ওইনা য়ূম ১০ রোমগী চাংদা খনগৎতুনা লোটরি পাঙথোক্লগা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ূম ১০০ শাবগী থবক পায়খৎপসু লৈরে। য়ূমশিং অসি শেমজিনবগী থবক অসি চাদ ৮৫ রোম লোইশিল্লক্লে। চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা অফবা নুমিৎ অমা য়েংলগা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ূম ৫০ মীয়ামদা খূৎশিন্নরগনি। মসিদা নত্তনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা এ সি অসিদা লেমহৌরিবা য়ূম ৪০০ অসিসু শেমগৎপা লোইশিন্দুনা মথৌ তাবা মীয়ামদা খূৎশিন্নরগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, খুরাই হৈক্রু মখোঙদা লৈরিবা ইপুম পাৎ অসিদা অমোৎ-অকায় লংশিন্দনবা সিষ্টেম অমা শেমদুনা লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা পাৎ অসি কন্নবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নসি। চীংখৈ চীংৱাটর সপ্লাইদগী পাথোরকপা ঈশিং খুরাই কোন্সম লৈকাই ফাওবা চেল্লক্তুনা পাৎ অসিদা থাদরগা অহেনবা ঈশিং অদুনা হৈক্রু মখোঙ লংকা মায়কৈদগী ইম্ফাল তুরেলদা থাদখিনবা মীৎয়েং থমদুনসু লাক্লি।

ইপুম পাৎ মনাক্তা নক্লা তারিবা য়ূম অমদি ফত্ত-হৌদি লংশিল্লিবশিং অসি খাসলেন্দ ওইবনা অমদি ইংখোল লৈবা ঙমদ্রিবা ফাওবা লৈবা য়ানবা মফম অমা পীরগে হায়বা ৱাফম ফাওবা থমখিবসু লৈখ্রবনি। লাক্কদৌরিবা নোংমা নীনি অসিদা কাঙলোনগী ৱাংমদা য়ূম শাজিল্লিবা অমদি অমোৎ-অকায় লংশিল্লিবশিং অসি লৌথোকপীয়ু নৎত্রবদি চপ চাবা থবক পায়খৎলগনি। ঈশিং ঈচাও মতমদা তুরেল তোর্ব্বান লৈবাক থোন্নবা লৈবাক পীয়ু য়ারক্তবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী মথক্তা ঈচাওগী চৈথেং নংলবা এ সি অসিগী মীওই লিশিং ১ রোমনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মথক্তা পি আই এল থারগনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসিয়েলশিং অসিনা মীয়ামগী অৱাবা খঙদবগুম পাঙথোক্লিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা মীয়ান্না নোংমদি শোয়দনা মখোয়গী মথক্তা ৱা ঙাংলক্কনি হায়বসি খঙবা চুম্মী হায়খি।

অমরোমদা, চহীসিগী জুন ১ দা খুরাই হৈক্রু মখোঙদা তুরেল তোর্ব্বান কায়দুনা ঈচাও নংবদগী মশাগী ময়ূম চেন্থখ্রবা কৈশাম দাইমন্দনা হায়, পুন্সি লৈপুন শেন্নবগীদমক বর বার্তন লাক্লল্লবা মতুং ইকুই কুইদনা তুরেল তোর্ব্বান কায়রকখিবনি। য়ূম চেন্থখিবনা মরম ওইরগা লুহোংবগী থৌরম য়ৈথোক্তুনা লাক্লবা মতুং এ সি অসিগী এম এল এনা অনৌবা য়ূম শাদুনা খূৎশিন্নবা অসিমক অপেনবা পোকই।

## ইন্দিয়া অসি মীপাল তাংদবা, মপাঙ্গল কনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* পণ্ডিত নেহরুগী লৈঙাক্তা মশক নাইবা মিনিষ্ট্রিগী ফম অমা পায়দুনা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। অদুবু জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা আর্টিকল ৩৭০ গী মখাদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীদুনা থম্বদা মহাক্লা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিগী ফম থাদোক্লগা ভারতিয় জন সঙ্ঘ হৌদোকখিবনি। মদুগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাক অমদা কন্সটিট্যুসন অনী, লৈঙাক অনী লৈবা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা কাশ্মীরদা খোঙজং চঙশিন্নবা চৎপদা মহাকপু দিটেন তৌদুনা থল্লগা মফম অদুদা অদুমক লৈখিবনি। ঙসিগী মীরোলনা মহাক্কী অশানবা মীৎয়েং অমসুং মহাক্লা তাক্লম্বা লম্বীদা লাকপদগী ঙসিদি থেংলবসু থেংনা কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ মপূং ফানা লৌথোক্তুনা মহাক্কী মঙলান মঙফাওনরে।

ভিকসিট ভারতকী পান্দম মনুং চন্না মীপাল তাংদবা ইন্দিয়া অমা ওইনবা হোৎনরক্লিবা অসিসু মহাক্কী লীচিং মখাদা চৎতুনা শোয়দনা মায় পাক্তুনা মপাঙ্গল কনবা, মরোমদোম লেপচবা ঙন্বা অপুনবা ইন্দিয়া অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখি।

## এৱারনেস পাঙথোক্তুনা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনেল, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি নেচর ক্লব হাওরৈবীনা খূৎশন্ননা শীন্দুনা হাওরৈবী অৱাং লৈকাই কৈথেলদা ৭৬শুবা বন মোহোৎসবকী মনুং চন্না এৱার্নেস কম ত্রি প্লান্টেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইমাগী মিংদা উ পান্বী অমা (লেন্দ এন্দ টু মেক অৱার মণিপুর গ্রীনর) হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস অদুদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্টকী ষ্টাফ লৈমপোকপম সঞ্জু, নেচর ক্লবকী এদভাইজর য়েন্দ্রেম্বম জিতেন মৈতৈ, হাওরৈবী মৈরা পায়বীগী প্রদিসেন্ট শারুংবম মাইপাকপী অমদি নেচর ক্লবকী প্রসিদেন্ট শারুংবম রুহিকুমারনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা ত্রি প্লান্টেসন, ইকো ক্লব এৱার্নেস অমদি কম্যুনিটি এঙ্গেজমেন্ট ওন এনভাইরোনমেন্ট হায়বা হীরমশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

মসিদা নত্তনা নেচর ক্লবকী ওইনা থবক তৌবা হৌরক্লিবা অঙাংশিং, গ্রীন ৱারিয়রশিং অসিনা উ থাবা অমদি এনভাইরোনমেন্টকী মতাংদা মখোয়দা ফাওবা ৱাখল্লোন অমসুং এনভাইরোনমেন্ট পোলিসিগীদমক পায়খৎহন্নিংবা পোইন্ট কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নেচর ক্লব হাওরৈবীগী মায়কৈদগী অমত্তা ওইনা 'লো ফোর দ প্রোটেক্সন ওফ ত্রিজ ইন মণিপুর' হায়বা ৱাফম অসিসু লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকহন্নবা মায়কৈ খূদিংমক্তগী মতেং লৌসি হায়না ৱারেপ্পখ্রে। লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অদুদা হাওরৈবী অৱাং লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবগী অকোয়বদা উহৈ পানবা উ অমদি ওর্নামেন্টেল পান্বী ১০০ রোমসু থাখি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা উ চারা মখল কয়াসু শরুক য়ারিবা মীয়মদা য়েন্থোকখি।

## মোইরাং শাইয়োন তরেৎকী লাইরিক ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৬(এস এন এস)ঃ সরাংথেম বোরমনিনা ইবা মোইরাং সাইয়োন তরেৎতগী প্রোফেসর কে ঐচ কুঞ্জো সিংহনা ত্রান্সলেটেদ তৌদুনা ফোঙবা সেভেন ইনকার্নেসন্স ওফ মোইরাং হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি ইম্ফালগী জে এন মণিপুর দান্স একাদমি কেম্পসতা লৈবা আর কে প্রিয়োগোপাল ওদিটোরিয়মদা ফোঙখ্রে।

মোইরাংগী সাইয়োন তরেৎ হায়বদি হেঞ্জুনহা-থোংনাং লাইরৌলেম্বী, শন্বা নহা লমগানবা-খোমনুং য়াইথিং কোনু, ৱাংলেন পুং দিংহনবা-চকপ্রম য়াইনু ফিশাহৈবী, ঙানবা শঙলৌলেম্বী, খোয়োন হাওবা-য়াইথিংকোনু, খন্বা -থোইবী অমদি কাদেং থাংজহনবা-তোনু লাইজিং লেম্বীনচিংবগী ৱারী শীংবুলবু ত্রান্সলেট তৌদুনা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এস সি ই আর টিগী দাইরেক্তর প্রোফেসর অহৈবম রোমেলনা চীফ গেষ্ট, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ অমসুং অমসুং দি এম (আর্টস)কী প্রিন্সিপাল প্রো এস লনচেনবা মীতৈনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

জে এন এম দান্স একাদমি ইম্ফালগী দাইরেক্তর পুখ্রম্বম বিলাশ সিংহ অমসুং জি পি ৱুমেন্স কোলেজ দি এম য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা ৱাইখোম রোমেশ মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

## পোপুলর লৈঙাক্কী মহুত্তা মীখল...

*লমায় ১গী মখা...* হৌজিক ফাওবা লাক্তনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি মীনুংশি খঙদবা মীওই অমনি হায়নিংই। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অসিসু ওইদবা ঙাংবা মীওই অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবগীদমক মীয়ামদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা পীখিবা থাজবা কয়া ঙসি ফাওবা মশক থোক্লা থবক পায়খৎপগী মমি তাদ্রি। মণিপুরগী ৱাথোক অসি ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট চংশিল্লকপা অমদি এস টি দিমান্দ তাল্লুবদগীনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবসু লৈখি। অদুগা অমুক মণিপুরগী ৱাথোক অসি কাঙলুপকী ইরাংনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখিবসু লৈখি। অসিগুন্না ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লৈরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা লমদমসিগী মীয়ান্না করন্না থাজবা থমগনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু মহাক্লা ঙাংনিংবদা ঙাংদুনা লৈরে। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি সঞ্জেন্নহা কৈনা চায় হায়বগী ফিভম অদু মায়োক্নরক্কনি।

ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লক্ত্রিঙৈ নুমিৎ ৭।৮নিগী মমাঙদা নোর্মেলসি হঞ্জিল্লক্লে হায়না এন বিরেননা ফোঙদোকখি। অদুবু নোর্মেলসি হঞ্জিল্লক্নবদি মহাক করিগীদমক ফম থাদোক্লিবনো। নোংমৈ মখোল তাদ্রগা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লে হায়বদি লানগনি। মীয়ামনা পাল্লিবদি টেরিটোরিয়েল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনা লাঞ্জেন্নরিবশিংবু মশাগী মফমদা হঞ্জিলহন্দুনা লৈরিবা বফর জোনশিং লৌথোকখিবা অদুনি। মসিখক্তদা ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়বদু মীয়ান্না থাজগনি। য়ুমলোন্নবা ম্যান্মারলোমদগী কাঙলোন কায়না চংশিল্লকখিবা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কা হেনবা থৌওং কয়া চথরক্লবা ফাওবা মালেমগী ওইনা মিলিটরি মপাঙ্গল কনবদা ৪শুবদা লৈরিবনি হায়রিবা ইন্দিয়ানা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিমক অঙকপা ফাওই। তম্পাক্কী খূৎলায় পায়বশিং নমথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা অরোনবা এজেন্দা কয়া চথরব্রা হায়বা চিংনদবা ঙমদে।

ষ্টেট অসিদগী পুলিস ষ্টেসন ১৯দগী লৌথোক্লল্লবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পাৱার্স এক্ট অমুক হন্না পুলিস ষ্টেসন খরদা থমজিল্লক্লি। বি জে পি লৈঙাক অদুমক ষ্টেট অসিদা লৈরবদি পুলিস ষ্টেসন পুন্নমক্তা অফসপা অমুক হন্না থমজিল্লক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। বি জে পি পার্টিনা কোংগ্রেসতা য়ুন্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা লৈরিবা অসিগী মহুত্তা চোইরোল ঙাংবা তোক্তুনা অৱাবা মায়োক্নরিবা মণিপুর মীয়ামগী য়েংলগা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্নবা হোৎনৌ হায়খি।

## লৈশাবী অমনা পাখঙ অমা ...

*লমায় ১গী মখা...* ঙমদনা হোস্পিটালদা লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টার তৌখ্রে। মরকসিদা থৌদোক অসিগী এক্যুজ ওইরিবা লোইতোংবম পিঙ্কি অমসুং হিয়াংথাং মনিং লৈকাইদগী লৈশাংথেম লনচেনবা (২০) কৌবা মীওই অনী অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা সরেন্দর তৌরকখ্রে। থাজবা য়াবা মফমদগী প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্নদি নুপীমচা অসিগা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগা হান্না নুংঙাইনদবা লৈবদগী ৱারী শান্নদুনা চমথোক্নবগীদমক মায়কৈ অদোমদা চৎখিবনি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসি করি মরমদগী থোকখিবনো হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট অমত্তা মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙহল্লকপা লৈত্রি।

## মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী...

*লমায় ১গী মখা...* কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুমফম ওইবা ৱাফমশিং খন্নখি। পার্টি অসিনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা সিট ৩০ হেন্না মাই পাক্নবা হোৎনদুনা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনগনি। পান্দম অসি ফংনবা কেন্দ্র-কেন্দ্রশিংদা লৈরিবা কম্মিটিশিং রি-ওর্গনাইজ তৌবখক্ত নত্তনা মমাঙগী মতমশিংদা মীয়ামগী সেবা মপুং ফাখিদ্রবসু হেন্না সেবা তৌবা ঙম্নবা অমদি এসেমব্লিদা লীদ রোল অমা লৌবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি এম পি পিগী পান্দমনি হায়নসু মখা তাখি।

## নেসমাগী অহুম্লকশুবা ফাউন্দেসন...

*লমায় ১গী মখা...* ভোকেলগী ত্রেনিং তম্বনি। মসিনা ফোন পায়বা, স্ক্রিন টাইমিংগী মতম হন্থহন্দুনা তল্লিবা মহৈসিদা হেন্না পূক্নীং চঙবা ঙন্মী।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ঈশিংশিং পার্ফোম তৌখি অমদি সোলো ম্যুজিক ওইনসু উৎখি।